**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী ফুল ড্রেস রিহারসেল ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল মনুংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরে।

২)  চুরাচান্দপুর জিলাদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী কাদর অহুম ফারে।

অমসুং

৩)  সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

**------**

ত্রাফিক (এল)ঃ  চহি অসিগী গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী পেরেদ কম্মান্দর মণিপুরগী মমিং লৈরবা বোক্সরসু ওইহরিবা সুপরিন্দেন্ট ওফ পুলিস (স্পোর্টস এন্দ বোক্সর) লাইশ্রম সারিতানা ওইরগনি।

৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী মার্চ পাসতা কন্টিঞ্জেন্ট ৫০ না শরুক য়ারবা য়াই। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা ফুল ড্রেস রিহারসেল অসিগী য়েংলগা ঙাকশেলগী থৌরাং কয়া লৌখৎলে। থৌরম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল মনুংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরে।

রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-শিংজমৈ ফাওরগা লিলোংদগী হাইগৎলকপা গাড়িশিংনা পিশুমথোং ফাওদুনা চৎকনি। মোইরাংখোমদগী লাকপা গাড়িশিং কৈশামথোং ফাওরগা চৎকদবনি। ময়াংইম্ফালদগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা চৎকনি। কোইরেঙ্গৈদগী খোঙনাং অনি কারকলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকু রোড নত্রগা এসেমব্লি রোডতা চৎকদবনি। শঞ্জেনথোং অমদি মিনুথোং ফাওরগা ইম্ফাল ইষ্টলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোম্বুথোং অমদি শিংজমৈ থোংলোমদা চৎকনি। উরিপোক কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ ফাওরগা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকদবনি হায়রি।

নিউ কছার রোডতগী লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামপাৎ নত্রগা নাগামপাললোমদা চৎকদবনি। তিদিম রোদতগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা চৎকনি। খোয়াথোং অমদি থাংমৈবন্দলোমদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসিংরোমদা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিংদগী মিনুথোংলোমদা চৎকদবনি। অদুমওইনমক, ভি.আই.পি নত্রগা ইম্মরজেন্সি সার্ভিসশিংগী ওইনদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই। থা অসিগী ২৬ গনতন্ত্র দিবস নুমিৎতসু ইম্ফাল মনুংদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা অসি লৈগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

এৱার্দ (এল) ঃ ২১ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৪-২৫ গী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, মন্ত্রিশিং অমসুং এম.এল.এশিং শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা থার্দ মে হায়না মীংথোনবা শুমাং লিলা অমা উৎকনি।

ইজ্‌কেসন (এল) ঃ  মালেমগী ইজ্‌কেসন নুমিৎনা লাকপদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ইজ্‌কেসন হায়বসি খুন্নাই অসিগী য়ামা মরুওইবা অমনি। মসিনা খুন্নাই অমা চাওখৎ লম্বীদা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোই খুদিংমক্তা চপ মান্নবা অমদি মগুন লৈবা ইজ্‌কেসন পীননবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি। সরকার অসিনসু ইজ্‌কেসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, অনৌবা লাইরিক তম্বীবগী মওং মতৌশিং শেমগৎতুনা লমদমগী মহৈরোইশিংদাা খ্বাইদগী ফবা ইজ্‌কেসন পীননবা হোৎনরি। মহৈরোইশিংনসু থৱায় য়াওনা হোৎনশি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিং অমদি নহাশিং অসি রাজ্য অমদি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবনি।

পুলিস (এল)ঃ  চুরাচান্দপুর জিলাগী দম্পি রিজার্ভ ফোরেষ্টকী সিদেন চাংপীকোত্তা আইন কায়না থারম্বা পোপি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চ্‌রাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস , দি.এফ.ও চুরাচান্দপুর অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং সঙাইকোট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সিদেন চাংপিকোটতা থারম্বা য়াল্লবা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখি। পোপি পাম্বীশিং অদু লম একর ১২ রোমদা থারম্বনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

জিরিবাম জিলাগী জাইরোল অমদি উচারথোলগী তাইনবা মফমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুখিবা ওপরেসনদা মেগজিন য়াওনা এস.এম.জি করবাইন অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল বোর গন অমা, নোংমৈ মরু ৬০, য়ু.বি.জি.এল রাউন্দ মঙা অমদি বোন অনি ফাগৎপা ঙমখি।

ককচিং জিলাগী ৱাবগাই বফেল্লো ফার্মদা চপ্থখিবা ওপরেসনদা দিটোনেতর য়াওদবা ঐচ.ই. গ্রেনেদ অনি, এয়ার গন রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী নোংমৈ মরু ১০, এ.কে. রাইফলসকী এমতি কেস ১৫, ষ্টন সেল মরি অমদি বুল্লেট প্রুফ বেজশিং ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ফুংগৈ চীংদগী থার্তি সিক্স ঐচ.ই হেন্দ গ্রেনেদ ১০, সিঙ্গল বোর গন অমা, মেগজিন য়াওবা কন্রি মেদ পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, এন্তি রাইওট গ্রেনেদ অমা, ষ্টন সেল অমা, রেদিও সেট অমা য়াওনা য়ান্নবা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী কাদর অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উনিংখোংদগীনি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু মঙা, মোবাইল হেন্দসেট অহুম, শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, মীয়াম অমদি দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অমসু ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাঙ্গোল টাইপ থ্রিদগীনি হায়রি।

আর্থক্কেক (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না য়ুহার হাখ্রে। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং মিনিত ৫৩ সেকেন্দ্র ৩৬ তা হাখিবা য়ুহার অদু রিক্তর স্কেলদা ৫.১ য়ৌখি। য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্তরনা ইম্ফালদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিতর ১১০ চৎলগা লৈবা ম্যান্মারগী মফম অমদা লৈনুংদা কিলোমিতর ১০৫ লুবা মফমদা ওইখি।

দিল্লি ঃ সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি, আম আদমি পার্তি অমসুং কংগ্রেসনা মখোয় মখোয়গী

মীরেপশিংগীদমক রোড সো, মীয়ামগী মীতিন অমদি য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা চংদুনা ভোৎ খোম্বগী থবক কন্না চথুরি।

উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা ঙরাং কিরাদি, কেরোলবাগ অমসুং জনকপুরি বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি। উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধমিসু পালম অমদি দিল্লি কেন্টোনমেন্টতা ভোৎ খোমখি। অদুগা মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন যাদবনা মাদিপুর অমসুং রোহিনি বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি।

আম আদমি পার্তিগী লুচিংবা শঞ্জয় সিংহ মোতিনাগর অমসুং মোদেল টাউন বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা অদুগা পঞ্জাবগী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱন্ট মান্না কস্তুরবানাগর, মেহারৌলি অমসুং সতরপুর বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মুস্তাফাবাদ বিধান সভা কেন্দ্রদা ভোৎ খোমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়া শিজিন্নরিবা কাংবুদা হায়খিবা ৱাফম, এম.এল.এ অবদুল নাশির সরকারদা শৌগৎলি হায়বা ৱাফম অমদি মণিপুরদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

অরানবা মওংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা মীওইবগী ইজ্জৎ শোকপা, ইকায় খুমবা মাংহনবা, কাংলুপ মশেল য়েংথিনহন্নবা পোষ্ট থাগৎপশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী বেন্নর হেদলাইন ওইরে।

পোকফমদা- আমেরিকাগী ফোরেন পোলিসিনা ইং ২০২৫ দা লৈগদবা উংখৎনবা থৌদোক ৮ গী লিষ্ট পুথোরকপদা মণিপুরগী ইরাং য়াওরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিমস লম্বী পোট হোলনা থল্লে, অনাবশিং গাড়ি তোংলগা চৎপা মীপাইনরে হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা- জোব কার্দ- নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা ৩৪ খক থবক পীবা ঙমলি, মণিপুরদা গ্রাম পঞ্চায়ট লিশিং ৩,১৫০ গী মনুংদা ৭৮০ দি থবক অমা ফাওবা শুদ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- এম.এল.এ নাশিরনা জে.দি.য়ুগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট শঞ্জয় ঝাগা উন্নখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। বি.জে.পি. সরকারদা মপুং ফানা শৌগৎখিগনি হায়বা অবদুল নাশিরগী ৱাফমনা সব-হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- হাই কোর্টনা কমল বাবুনা তোংখিবা হোন্দা এক্তিভাগী কম্পেন্সেসন পীনবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- এল.দি.এগী অয়াবা য়াওদনা লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা মখল অমত্তগী থবক পায়খৎতনবা খঙহনখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মখোয়না তাল্লিবা দাবীগী ৱাফম খন্নদ্রিঙৈদা সিজ ফয়ার য়াননবা কুকি-জো কম্যুনিতিশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা খঙহনখিবগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা রোহিংয়া রিফ্যুজি অমা ফারে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- রিপাব্লিক ডে পেরেদতা নোর্থ ইষ্টকী রাজ্যশিংগী মনুংদা ত্রিপুরাগী টেব্লোখক্তমক উৎলগনি হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- কেট ফিসকী অনৌবা স্পেসিস খরা চকপি তুরেলদা ফংলে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- রাজ্যপালনা আই.আর.সি.এস, এম.এস.কে.এ ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী সি.এমনা সোসিয়েল মিদিয়া লান্না শিজিন্নরিবা মীওইশিংদা ৱার্নিং পীখে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- বরাক তুরেলদা মশক খঙদবশিংনা হু থারকপদগী ঙাশিং শিরগা তাউখৎলক্লে হায়বা এন. হেং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংগী ৱাফম ফোংলি।

মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা এস.এস.সিগী একাজমিনেসন সেন্তর তাহন্নবা দিল্লি হাই কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------